# লন্নাই ওইনা মথংগী থাদগী লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা লৈরিবা অহলশিং পেন্সন ফংহল্লগনি : রোমেন

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচ এন এস): লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা লৈরিবা চহী য়াল্লবা কনা লৈজদ্রবা অহলশিং অসিদা অঙম্বা ওইনা ইশাগী পোকেটতগী কনাগী মতেং অমত্তা লৌদনা থা খূদিংগী পেন্সন পীরগনি হায়না থৌনাওজম চাওবা চেরিটেবল ট্রষ্টকী মেনেজিং ট্রষ্টি থৌনাওজম রোমেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা লৈরিবা অহলশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শীংজমৈ থোঙাম লৈকায়দা লৈবা থৌনাওজম চাওবা মেমোরিএল চেরিটেবল ট্রষ্টনা শীন্দুনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি শেৎন-ইন্নবা ফিরোলশিং তেংবাঙখিবগা লোয়ননা চাক্লেন অমগা য়াওনা পাঙথোকখিবা য়াম্না চম্বা থৌরম অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, লমদম অসিদা লৈরিবা মচা ওইবশিংনা মমা-মপা ওইবশিংনা অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা নাথৈবীবগী থৌওং হেনগৎলক্লিবা অসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। অসিগুম্লবা কনা লৈজদ্রবা অহলশিং অসিদা মণিপুর লৈঙাক্না অহলশিংগীদমক পীরিবা ফজরবা স্কিম অমা ওইরিবা ওল্ড এজ পেন্সনগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনহন্নিংই। লোয়ননা অহলশিং অসিনা হিংবদা চঙবা তঙাইফদ্রবা পোৎলমশিংসু মতিক চানা ফংহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোকখি।



মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঙসি ঙসিমক মণিপুরগী চীং অমদি তমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চিলদ্রেন হোম অমদি ওল্ড এজ হোম কয়া অমা লৈরি। হায়রিবা হোমশিং অসিগী মনুংদা লৈঙাক্কী খুদোংচাবা ফংদ্রিবা হোম কয়া অমসু লৈরি। মরম অদুনা তঙাইফদনা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদুনা হায়রিবা হোমশিং অসিদা লৈঙাক্না অমদি মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়না আপীল তৌখি।

লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমগী ফাউন্দর ওইনাম মঙ্গিনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি ষ্টেট অসিদা ওল্ড এজ হোম চেদা ওইনা লৈবা কয়া লৈরি। মরম অসিনা কনাগুম্বা তশেংনা অহল-লমনশিংগী থৌগল তৌনিংবা মীওইশিংনা ওল্ড এজ হোম অমা লিংখৎনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইরে। তশেংনমক মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ওল্ড এজ হোমশিংগী মশীং খুৎ থেক্তুনা পাবা য়ারি। অদুগা ফংফম থোকপা মথৌ নীংথিনা তৌরিবা হোমশিংদনা লৈঙাক্কী মতেং ফংদনা লৈরে। অমরোমদনা চেদা লৈবা হোমশিংদনা লৈঙাক্কী চাউর-চাউরবা মতেং কয়া ফংদুনা লৈরি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা অমদি লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা থিগৎহন্নিংই। ঙসি থৌনাওজম মেমোরিএল চেরিটেবল ট্রষ্টনা লাক্তুনা হোম অসিদা লৈরিবা অহলশিংদা তেংবাঙবীরম্বগীদমক থাগৎচরি। হেন্না নুংঙাইবা ৱাফমদি ট্রষ্ট অসিগী মেনেজিং ট্রষ্টি অমসু ওইরিবা থৌনাওজম রোমেননা হোম অসিদা লৈরিবা অহলশিংবু লন্নাই ওইনা মশাগী পোকেটতগী পুথোক্তুনা থা/থা খূদিংগী পেন্সন পীরগনি হায়না তাকপীরম্বা অসি হোম অসিগীদমক্তদি য়াম্নমক লাইবক ফবনি। মহাক্না তৌরু-তৌরুবা খূদিংমক্তসু মায় পাকপা মপুনা পীবীবা ওইসনু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চিঙাখম সুন্দর, থৌনাওজম ইবেমহল অমদি হোমগী অহল কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরমদুগী মনুং চন্না থৌনাওজম রোমেনদা লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমগী মায়কৈদগী লাইগী মচা মীংথোল পীদুনসু ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

## মীৎয়েং চঙবীয়ু

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচ এন এস): মীয়ামদা মতম চানা চেঙ ফংহন্নবা হোৎনবদা এজেন্টশিংগী থৌদাং লৌজবনি। অদুবু কন্ট্রেক্টরনা চেঙ লৌখ্রগা এজেন্টতা শীন্নরক্তবনিনা মীয়ামদা মতম চানা চেঙ ফংহনবা ঙমদ্রে হায়না লম্লাই এ সীগী অপূনবা রেস্নিং এজেন্টশিংগী সেক্রেটরি মোইরাংথেম রঞ্জয়না ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ২০২১গী মার্চ থাদগী ২০২২ ফাওবা অসি এজেন্টশিংগী মতম লৈরিবনি। মমাঙ থাগী নফসা অমসুং পি এম জি কে এ ৱাইনা চেঙ অসি রেস্নিং এজেন্টশিংদা চেঙ পীদবনা মরম ওইরগা মীয়ামদা চেঙ য়েন্থোকপা ঙমদবনি। হৌজিক হৌজিক্কী ওইরিবা এজেন্টশিংগদি মরী লৈনদ্রে। অদুবু চেঙ মীয়ামদা য়ৌহন্নবদি হোৎনবীয়ু হায়খি।

## ষ্টেট হেন্দলুম এক্সপো ২০২১-২২ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচ এন এস): ষ্টেট হেন্দলুম এক্সপো ২০২১-২২ মার্চ ৩১দগী মণিপুর পব্লিক লাইব্রেরী গ্রাউন্দদা মণিপুর এক্সপো হেন্দলুম ৱিভর্স এন্দ হেন্দিক্রাফ্টস আর্টিসিয়ন সী এস লিমিটেদনা শীন্দুনা অজাদি কা অম্রিট মহোৎসবকী মনুং চন্না চত্থরকপা থৌরম ঙসি লোইশিনখ্রে।

থৌরমদুগী মনুং চন্না ষ্টেট হেন্দলুম এক্সপো ২০২১-২২দা শরুক য়াখিবা ফিশাবীশিংদা সর্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা ইম্ফাল ইষ্ট পোরোম্পাৎকী ৱিভর্স সর্ভিস সেন্টরগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর এম ইবোহলনা ফোঙদোকখিবদা, এক্সপো পাঙথোক্লিবা অসিদা হেন্দলুম মার্কেটিং এসিষ্টেন্ট হায়বা কম্পোনেন্ট অমা য়াওই। কম্পোনেন্ট অসিগী মনুংদা দোমেষ্টিক মার্কেট তৌবীরিবা, এক্সপোর্টতা য়োল্লিবা আইটেমশিং য়োকখৎনবা দোমেষ্টিক মার্কেটিং প্রমোসন হায়বা অমসু য়াওরিবনি। পাঙথোরক্লিবা হেন্দলুম এক্সপো অসি ষ্টেট লেভেলগী থাক্তা পাঙথোকপনি। দোমেষ্টিক মার্কেটিং প্রমোসন এক্সপো অসিগী মনুংদা নেসনল লেভেল এক্সপোসু লৈ। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল হেন্দলুম এক্সপোসু লৈ। ঐখোয়গী চীংদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু অসিগুম্বা এক্সপো পাঙথোকপা য়াই। অদুবু এক্সপো অমা তৌবদা মদুদা চঙলিবা চাদিংশিং য়েংলকপা মতমদা চীংদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা পাঙথোকপদা খুদোংচাদবা কয়া অমসু লৈরি। অদুবু মফম চাবা চুড়াচান্দপুরগুম্বা মফমশিংদদি অসিগুম্বা এক্সপো পাঙথোকখিবসু লৈরি।

হেন্দলুমগী পোথোক অসিদা অতোপ্পা কম্পেনিনা হেন্দলুমগী পোৎ-চৈ শারগা পুথোকপা পোৎলমশিং মীয়াম্না পাম্নরি। খুদম ওইনা হায়রবদা মোদি গমসা হায়বসি মণিপুরগী য়াম্না ফজরবা পোথোক অমনি। মোদি গমসাবু প্রাইম মিনিষ্টরনা অচৌবা ফঙ্কসনদা য়েৎপীদুনা শীজিন্নরি। মদুগী মতুং তাবদা অদুগুম্লবা গমসা অমা য়ু পিগী মিল অমনা পুথোরকপদগী অচৌবা ৱাথোক লৈখি। হেন্দলুমদা শাবা ফিশিং পৱারলুমদা শাবা য়াদবসু লৈরি। মসিগীদমক্তা জি আই টেক লৌননবা হোৎনরি। ঐহাক্না শাজ রিবা পোৎলমশিং অসি হেন্দলুমগীনি খঙননবা হেন্দলুম মার্ক হায়বা অমসু লৈরিবনি। অদুনা রেজিষ্টর তৌবা মথৌ তাই হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এ দল্লিয়ু এ এসকী মেনেজিং দিরেক্টর সী ঐচ মন্দাকিনিনা থৌরম মপু, নবার্দকী কিরন থোকচোম অমদি এ দল্লিয়ু এ এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট এস ভুবলনা মীথুংলেনশিং ওইখি।



# চজিক চাবনা হকচাংদা

## মখল কয়াগী খুদোংথীবা থোকহল্লি

চপ চাবা মরম খঙদ্রবসু চজিক চাবা ফৎতে হায়বসি পুম্নমক্না য়ানরবা ৱাফমনি। অদুবু মথৌ চিনবা হেনগৎন-রকপদগী মীওই অয়াম্বা অয়ুক্তা চজিক চারগা থবক চৎপা য়াওই। নুমীদাং ফজনা চারগা লোইরে খন্দুনা অয়ুক্তদি অফংবা খরা চারগা অদুম্মক পেন্থোক্লরি।

অমরোমদা, কৈথেলদগী নৎত্রগা হোটেলদগী লৈবা পেকেটতা হানবা অচা-অথক চাবগী মহুৎ চজিক চাবনা হেন্না ফৈ হায়না থাজনৈ। অদুবু রেফ্রিজরেটরদা থম্বা ওইরবসু চজিক চাবনা হকচাংদা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই হায়বা খঙলে।

হিরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়খি, ঐখোয়না থোংবা-থাকপা হেক লোইবগা রেফ্রিজরেটরদা হাপচিনবা নৎতবনিনা ঈংথরক্লবা চাক-এন্সাংদা মহীক মতাই পক্লকই। মদুনা মরম ওইদুনা ফুদ পোইজনিং অমদি অতৈ দাইজেষ্টিক প্রোব্লেম কয়া ওইহল্লকই।

থোংবা-থাকপা হেক লোইবগা পুং ২ গী মনুংদা রেফ্রিজরেটরদা হাপচিন্দবা তারবদি চাক-এন্সাংদা মহিক-মতাই চেল্লকই। মতৌ অসুম্না মহিক চেল্লবা চীঞ্জাক অদু রেফ্রিজরেটরদা হাপচিনবা মতমদা হান্না রেফ্রিজরেটর মনুংদা য়াওরম্বা অতৈ অতোপ্পা চীঞ্জাকশিংদসু মহিক চঙখি। মদু চারুবদগী ইমুংদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক অনা অয়েক য়াওহল্লকপা য়াই। মহিক-মতাই চেল্লবা চীঞ্জাক অমা রেফ্রিজরেটরদা হাপচিল্লুবা মতমদা এসিদিক ওইবা হেনগৎলকপদগী মদু চারুবা মতমদা হকচাং শোকহল্লি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দল্লিয়ু ঐচ ও) গী কাঙলোন মতুংইন্না থোংদ্রিবা চীঞ্জাক্না অথোংবা চীঞ্জাক্না পুন্না থম্মিন্নরোইদবনি। চীঞ্জাক্তা য়াওবা পেথোজেন পুম্নমক হাৎতোক্লবগীদমক চপ চাবা টেম্পরেচরদা অকক্লবা মতম অমদি কাঙলোন ঙাক্না থোং থাকপগী থৌরাং লৌখৎকদবনি। চপ চাবা টেম্পরেচরদা চীঞ্জাক পৈশিন্দুনা থমগদবনি লোয়ননা থোং থাকপদা অফবা ঈশিং অমসুং রো মেটেরিয়ল শীজিন্নগদবনি।

চীঞ্জাক খুদিংমক কুইনা থম্বদা পৎথ-পুমথরকই। অদুবু থুনা পুমগনবা রেদ মীট, পোল্ট্রি, য়েরুম, দাইরিগী পোৎথোক অমসুং থোংদোক্লিবা ঙা থম্বগী মতাংদা কা-হেন্না চেকশিনগদবনি। ফুদ পোইজনিং ঙাকথোক্লবগী মতাংদা দল্লিয়ু ঐচ ওনা হায়খি, পেসরাইজ তৌরবা শঙ্গোম অমদি অতৈ দাইরিগী পোৎলমশিংতমক শীজিন্নগদবনি। য়েরুম হিংনা চারোইদবনি। চহী অমা শুদ্রিবা অঙাংদা খোইহী পীজরোইদবনি। শেংনা চামথোক্লবদি অহিংবা মনা মশিং অমসুং উহৈ ৱাহৈ চারোইদবনি। চীঞ্জাক খুদিংমক থোংবা হেক লোইবগা ফোঙ-ফোঙ শানা চাগদবনি অমসুং অরূম্বা ঈশিংখক্তমক থক্কদবনি।

চাবা-থকপদা চেকশিল্লিবমখৈ হকচাংদা থোইদোকপা অনা অয়েক য়াওরোই হায়বা পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মরম অদুনা মপান্দগী লৈরগা চাবদা য়ারিবমখৈ চেকশিনবা মথৌ তাই। মতাং অসিদা চেকশিনগদবা অমনা ফুদ সেফ্টি এন্দ ষ্টেন্দর্দস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এফ এস এস এ আই) দা রেজিষ্টার তৌরবা কম্পেনিনা য়োনবা অচা অথক খক্তমক চাগদবনি। খ্বাইদগী নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি লৈবাক অসিগী চান-থক্লবা পোৎলম য়োল্লিবা কম্পেনি অয়াম্বা এফ এস এস এ আইদা রেজিষ্টার তৌদবগী মতাংদনি।

অথুবা মতমদা হিরম অসিগা মরী লৈননা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি হায়না এফ এস এস এ আইগী সী ঈ ও পৱন কুমার অগরৱালনা ফোঙদোকখিবা তারবসু চীঞ্জাক পুথোকপা কম্পেনি অয়াম্বা রেজিষ্টার তৌরক্ত্রি। ফুদ বিজিনেস ওপরেটরশিংনা এফ এস এস এ আইগী লাইসেন্স পায়দ্রবদি মখল অমত্তগী চান্নবা চীঞ্জাক য়োনবা য়াদে। অদুবু লৈবাক অসিগী ফুদ বিজিনেস ওপরেটর ক্রোর ৫ রোম লৈবগী মনুংদা শুপ্নগী লাখ ৩৩ খক রেজিষ্টার তৌরকপদা ঙাইরি। ইশম শম্না হায়রবদা রেজিষ্টার তৌরকপগী চাং চাদা ১০ য়ৌদ্রি। কুমজা ২০১১ গী ওগষ্টতগী লাইসেন্স পীবা হৌখ্রবসু ফুদ বিজিনেস ওপরেটর অয়াম্বা রেজিষ্টার তৌরকপা লৈত্রি।

ফুদ সেফ্টি ষ্টেন্দর্দ এক্তকী মতুংইন্না চানবা চীঞ্জাক পুথোকপা, প্রোসেস তৌবা, পেকেজিং তৌবা, ষ্টোরেজ তৌবা, ট্রান্সপোর্টেসন তৌবা অমদি দিষ্ট্রিব্যুসন তৌবা প্রাইভেট নৎত্রগা পব্লিক অন্দরটেকিং খুদিংমক ফুদ বিজিনেস ওপরেটর কৌই। চানবা চীঞ্জাক পুথোক্তুনা য়োল্লিবা ফুদ বিজিনেস ওপরেটর খুদিংমক থেংলবদা কুমজা ২০১৬ কী ফেব্রুৱারি ৪ ফাওবগী মমাঙদা রেজিষ্টার তৌরক্কদবনি হায়না এফ এস এস এ আইনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুবু মে ৪ ফাওবা অমুক মতম শাংদোকখি। মমাঙদসু রেজিষ্টার তৌবগী মতম হঞ্জিন হঞ্জিন শাংদোক্তুনা লাকখ্রবনি। হন্দক্তি এফ এস এস এ আইনা অখন্নবা দ্রাইভ অমা চত্থদুনা ফুদ বিজিনেস ওপরেটর খুদিংমক রেজিষ্টার তৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি। পেকেটতা হাল্লগা য়োল্লিবা অচাপোৎ খুদিংমক্তা এফ এস এস এ আইগী লাইসেন্স অমদি রেজিষ্ট্রেসন নম্বর থাহনবগা লোয়ননা রেজিষ্টার তৌবগী মতমসু অমুক হন্না শাংদোক্লরোই হায়রি। মতম চানা রেজিষ্টার তৌহৌদবা অচাপোৎ অমত্তা কৈথেলদা য়োলহন্দনবা থৌরাং অমসু লৌখৎকদৌরি।

পুম্নমক অসিনা মরম ওইরগা কৈথেলদগী অচাপোৎ লৈরগা চারুবদা হকচাং শোকহল্লকপা য়াবগী মিপায়বা কোকহনখিবা তারবসু ইশা ইশানা য়ুমদা লৌখৎচগদবা চেকশিন থৌরাংশিংদি গভর্ণমেন্টনা য়েংশিনবীগদবা নত্তে। য়ারিবমখৈ চজিক চাবগী হৈনবী থাদোকপগা লোয়ননা কোন্নগদবা চাং অদুতমক থোংগদবনি। ইচম চম্বা থৌরাং খরখক অসি লৌখৎপা মতমদা অনা অয়েক কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগা লোয়ননা মশা মউ ফবা অমসুং তীঞ্জং-কায়জংদবা খুন্নাই অমা ওইহনবা ঙমগদৌরিবনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# ‘পেরামিলিটরি নেটৱার্ক মপাঙ্গল কনবতা নত্তনা লৈঙাক্কী পোলিসীদা ফাওবা য়াওরক্লে’

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৩ (ঐচ এন এস): জেনোসাইদ ৱাটচ হায়রিবা গ্লোবেল এক্সপার্ট গ্রুপ অসিবু লুচিংলিবা গ্রেগোরি ইষ্টেন্টননা ইন্দিয়াগী জেনোসাইদ থোক্লবা ষ্টেজ ১০গী মনুংদা ৮শুবা ষ্টেজ দা য়ৌশিল্লক্লে হায়না মাঙজৌননা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। মসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি আর এস এস, বি জে পিনা পৱার পায়খিবা কুমজা ২০১৪দগী খঙহেন হেনগৎলকপনা ইন্দিয়াদা লৈরিবা মুস্লিমশিং মীপায়বা পোক্লে। মিলিয়ন ২০ হেন্না লৈরিবা ইন্দিয়ন মুস্লিমশিংদা চাউথরকপা অসি ইনৌ-নৌবা নত্তে। মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা লৈরিবা হিন্দুষ্টানগী এজেন্দাসু মসিমকনি। অতোপ্পা ফুরুপপু য়েংথিবা আর এস এস অমদি মসিগী পেরামিলিটরি নেটৱার্ক অসি মপাঙ্গল কনবদা নত্তনা চহী ৯০গী মতুংদা গভর্ণমেন্ট পোলিসীদা য়াওবা য়ৌশিল্লক্লে হায়না পোপ্যুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি এফ আই)গী পি আর ওগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ইন্দিয়ন মুস্লিমশিংদা জেনোসাইদ থোক্কদ্রা হায়বদু কুপ্না থিজিনবা মতম ওইরে। ঐখোয়না খুদম চাংদম ওইরি। মদুদি সেন্টর অমদি বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেটশিংদা ইতৎ-তৎতনা অকি-তু জুংবা পোকহল্লি। মুস্লিম ওর্গনাইজেসনশিং টার্গেট তৌবা অমদি কম্যুনিটি অসিগী য়াইফনবা মাঙ থাদুনা চেল্লিবশিং য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল শীদুনা কেস পানশিনবা, রেইদ চত্থবা অমদি জেলদা থমজিনবগী থৌওং লেপ্তুনা চত্থরি। য়াম্না নৌনা ফংবা দেটা অমগী মতুংইন্না মুস্লিমশিংগী পুন্সি মহিং হৌজিক ফগৎলকপা হায়বদু ওইদ্রি। হেন্নদুম খুদোংথিনিংঙাই ওইরি। সেক্যুলর পার্টি অমদি সিভিল সোসাইটি সেক্সন খূদিংমক্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা মসিগী সোল্যুসন পুরক্লবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। মরম অদুনা মুস্লিম কম্যুনিটিশিংনা অফবা অমদি ফজবা প্লানিং তৌদুনা সিটিজন খূদিংমক অৱাংবা থাক্তা লৈমিন্নবা চঙশিনসি হায়রি।


OFFICE OF THE IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION



/CONDOLENCE

Imphal the 13th April, 2022

**No. 3/5/27/2021-IMC :-** The Caretaker Mayor, the Municipal Commissioner and all the officers/ staff of Imphal Municipal Corporation are deeply grieved to know the untimely demise of **Soram Surangini Devi,** Councillor of Ward No. 3 Imphal Municipal Council, who has elected as a Councillor of Imphal Municipal Council in the 2 (two) term i.e., from **30.05.2001** to **30.05.2006** and from **02.06.2006** to **30.05.2011** and offers sincere condolence to the family members of late **Soram Surangini Devi** on her sad and sudden departure.

May her departed soul Rest in Peace.

**Sd/- Th. Harikumar Singh**
Municipal Commissioner, Imphal Municipal Corporation

HL-B/7604/14


## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৪।০৪।২০২২ ইং, শগোলশেল ;
শজিবুগী ১৩ নি পানবা।

**মেষ:** ইমুং মনুং নত্রগা মীয়ামগা পুন্না থৌপাঙবা কান্নগনি। ফজবা লৈতেংনচিংবা ফংবৈ নুংঙাই। হুরানবা অমদি অঙম্বনদি য়েংথি। ঐ মঙাইরে খনগনু, য়াকা য়েংউ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**বৃষ:** অয়ুক্তা থৌপাঙহৌবা কান্নগনি, মরুপ মপাংগী মতেং লৌহৌবা য়াগনি, হরাওবা নুংঙাইজবসু ফংগনি। অদুবু থেংথরক্লদি কায়নবা নংগনি-ঈংথবা ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মিথুন:** নীংবা থুংগনি, মরুপ মপাংগী মতেং ফংগনি, ঙাং-শকপা হৈগনি থৌনা ফুদোক্না অনিংবা থবক পাঙবসু মায় পাক্কনি। চিংনদনা শেন্দোং তানবদা মায় ওনশিলহৌরো।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**কর্কট:** লৌশিং ফুদোক্না শোয়দনা পাংঙমদবা থবক পাঙগনি। লান্দবনা য়েক্লবা ফাওবা ঙমজদুনা অচৌবা ফিদম্নফম ফংবা য়াগনি। য়েৎনবা য়াবা মরমদদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- থাগৎপিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**সিংহ:** নীংজবা থুংগনি, অনৌবা থৌরমদনা হেন্না পুক্লিং চংগনি, খন্থরগা পাঙবা থৌরম অয়াম্বা মায় পাক্কনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি অনম তানবা য়াদবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখলদি নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কন্যা:** নক্লবনা চানবীবা, থৌনা লিংজেল ফুদোকপা য়াবা অমদি লাই-গুরুনা চানবীবা নুমিৎনি। হোয়া ফবা অমদি নাপল তৌবগী মাঙজবা ঙসিসু লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**তুলা:** শেন্দোং তানবা লমদা মায় পাক্কনি, পাংঙমদবা থবক পাঙগনি। শোক-পনবা য়াবা অমদি ঈকাই-নুংশি য়ান্নবা থৌদোক নংবা য়াবনা ফিংগনু , শাজৎতি হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক:** লম অয়াম্বদা মায় পাক্কনি। লৌশিং তানশিনবা, শেন্দোং তানবা অমদি য়েৎনবগী লমদনা হেন্না চাওনা মায় পাক্কনি। লম চৎপা মহৈ য়ানগনি, মীয়াম্না পাম্লে।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**ধনু:** য়েক্লববু ঙমজদুনা অফবা মরী থম্বা ঙমজবা, মীয়ামগা মরী ফবা অমদি নুংঙাইজবা নুমিৎনি। অঙম্বনা হান্নদগী হেন্না য়েংশিনবা লৈ, নাপল থাদোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী- ইশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মকর:** অশাওবনা নচাক নরলদা তাইনগনি। শেন্দোং তানবা থবক্তা মায় পাকপা ৱাগনি-খুৎ চাওগনু। লাই গুরুনদি চানবীগনি, ঙাংশকপদা মীনা থাগৎপিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খৎনবা য়াই-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কুম্ভ:** নীংবা থুংগনি, মীচং লৈগনি, অচুম্বনা লাকচবা, লন চাওখৎপা অমদি য়েক্লবা লৈরম্লসু লায়না খুদুম চনগদবা নুমিৎনি। থাজদনা কান্নবা য়াম্না লাক্কদবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**মিন:** নীংবদুমক পাঙবদা শোয়দনা মায় পাক্কনি, অনৌবা অশাগা লোইননা মাঙলোমদা চঙশিনবা য়াগনি। হুরানবদগীদি চেকশিন্দবা তৌগনু, অখং-অহৈগী ৱা হিক্তোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



Resonance®
Educating for better tomorrow
Live-video Learning Program (LLP) Centre

* 45 Days Crash Course for NEET 2022
(Commencement Date - 10th May, 2022)
* 1 Year Regular Courses for NEET & JEE
* Foundation Courses for Class-IX to XII (NEET & JEE)

Commencement date-15th May, 2022
*6 hours class daily
* Test series from Resonance Kota
*Classes from best faculties from Resonance Kota.
Study Materials from Resonance Kota Rajasthan

ENROLL TODAY!

PHYSICS FACULTY



Er. Sundaram Kr.
B.Tech (CSE), PGPM/MBA
More than 9 years (JEE/NEET) experience Physicist (down to earth) Author/Speaker/Pioneer in Spiritual Psychodynamics
Member of International United Educationists Fraternity (IUEF)

BIOLOGY FACULTY



Mr. Vishal Kumar
M.Sc. (Life Science)
10 years experience as Biology faculty for NEET

MATHS FACULTY



Mr. Basant Kumar
Faculty member of Aakash Coaching Institute, Muzzafarpur
Over 25 years of experience for JEE

CHEMISTRY FACULTY



Mr. Sujal Baroi
B. Tech, Electrical Engineering
6 years experience as Chemistry faculty at Resonance, Silliguri

ADMISSION
THROUGH SCHOLARSHIP TEST
91-100% score - Free Admission
81 - 90% score - 50% Concession

Nachom Edu Foundation,
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
For more details
9402979552 / 8794961535

HL/B/7601/14, 16-24



Regd. No. : KNL / 497 / (CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL
ADMISSION OPEN | Kwaikeithel Near Imphal College, Imphal
FOUNDATION COURSE for CLASS- X (BOSEM), CLASS - XII Sc. (COHSEM)

CLASS COMMENCING ON :
CLASS X - 11TH APRIL, 2022
CLASS XII Sc. - 9TH MAY, 2022

Special features : a) Chapterwise Test Series
b) We provide printed probable questions and answers
c) Hostel for Boys & Girls d) Van Service available

CLASS TIMING : 4:30 PM TO 7:30 PM

Our position holders for last 3 years




8413855751
9862712287

Form Available : 1. SANGAI HOSTELS, Kwakeithel Ningthemkol Opp. Tiddim Ground
2. Office of SANGAI TUITORIAL, Kwakeithel Near Imphal College

HL/P/1896/26/3 - 26/4